# ষ্টেটহুদ ৱুমেন’স ইন্টরনেস্নেল পোলো টুর্নামেন্ট হৌখ্রে, গ্রেট বৃটেন অমদি ইন্দিয়া (বি) মণিপুর মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজম, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা স্পোন্সর তৌরগা ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনন শীন্দুনা ঙসিদগী টিম ৬ হায়বদি য়ু এস এ, গ্রেট বৃটেন, অজেন্টিনা, ইজিপ, ইন্দিয়া–এ ( আই পি এ) অমদি ইন্দিয়া–বি (মণিপুর)না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৫ শুবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱুমেন’স ইন্টরনেস্নেল পোলো টুর্নামেন্ট ২০২০ শান্নবা হৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ডা. কে শরতচন্দ্র, ফিসচরি মিনিষ্টর এন কয়াসি, ৱাঙ্গৈ কেন্দ্রগী এম এল এ ও লুখোই, সাইতু কেন্দ্রগী এম এল এ ঙমথাং হাওকিপ, টুরিজমগী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরী পি কে সিংহ, য়াসকী কম্মিনর বোবি ৱাইখোম অমদি টুরিজমগী ডাইরেক্টর দব্লিউ ইবোহলনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, পাঙথোক্লিবা টুর্নামেন্ট অসি ইপুথৌ মারজিং অমদি মশান্না অসিবু ষ্টেট অসিদা খূদোল তন্বীরম্বা লাইওইখ্রবা ইপা ইপূশিংবু ইকায় খূম্নবা উৎপা ওইনা পাঙথোকপনি। মহাক্লা মখা তানা পোলো মশান্না অসিবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী হৈঙাং দা মারজিং পোলো কম্পলেক্স শেমগৎতুনা অঙম্বা থাক্তা চাউখৎন্নবা হোৎনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্টরনেস্নেল পোলো টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ–এগী শান্নখিবদা গ্রেট বৃটেননা ইন্দিয়া–এ (আই পি এ) বু য়াম লাকচন্না পাঞ্জল ১৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা গ্রেট বৃটেনগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা লোরনা ব্রাউটননা মিনিটি ০.২৮, ৬.২০ দা ২, রোশানা ট্রুকনা মিনিটি ৩.২৪, ৪.৫৭ দা ২, এলাইজ ৱালসনা মিনিট ৫.৫৬,৭.১২ দা ২ অমদি হিলোসি ৱিলসননা মিনিট ২.২৫ দা ১ চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৭ চনখি। অনীশুবা চক্করদনা এলাইজ ৱালসনা মিনিট ০.৪৯ দা ১ অদুগা লোরনা ব্রাউটননা মিনিট ৪.৩৫, ৭.০৮ দা ২ চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৩ চনখি।

অহুমশুবা চক্করদনা এলাইজ ৱালসনা মিনিট ১.৪৩, ৪.১২ দা ২ অদুগা হিলোয়সি ৱিলসননা মিনিট ৩.২২ অমদি রোশানা ট্রুকনা মিনিট ৫.১২ দা অমমম চন্দুনা পূন্না পাঞ্জল ৪ চনখি। অরোয়বা মরীশুবা চক্করদনা রোশানা ট্রুকনা মিনিট ২.৪৮, ৩.৩০ দা ২ অদুগা হিলোয়সি ৱিলসননা মিনিট ৬.০৫ দা ১ চন্দুনা পূন্না ৩ চনখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–বিগী শান্নখিবদা ইন্দিয়া–বি (মণিপুর)না ইজিপবু পাঞ্জল ১০–৫ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়া–বি ( মণিপুর)গী পাঞ্জলশিং অদু থৌদাম তনানা অহানবা চক্করদা পাঞ্জল ২, অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অদুগা মরীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ১, খুন্দোংবম দেবেন্তিনা অনীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ অদুগা মরীশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২ চনখি। অতোপ্পা পাঞ্জল অদুনা খুন্দোংবম হানেনা অনীশুবা চক্করদা চনখি।

মায়থিরবা ইজিপকী পাঞ্জলশিং অদুনা হনা বাদরনা পাঞ্জল ৩ অদুগা অলিয়া মোহমদ অমদি ফরা অৱাদলানা পাঞ্জল অমমম চনখি।

হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা গ্রুপ–এগী ইন্দিয়া–এ ( আই পি এ) অমদি অজেন্তিনাগা শান্নগনি অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদা গ্রুপ–বিগী য়ু এস এ অমদি ইজিপ শান্নগনি।

## অনীশুবা এম এন সি এ য়ু–১৬ বোইজ ক্রিকেট টুর্নামেন্টদা পি টি সি সি অমদি আর সি এ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনন শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা টিম ১৪ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নবা হৌখিবা অনীশুবা এম এন সি এ অন্দর–১৬ বোইজ নাওরেম রাজনিংথৌ সিংহ নীংশিং ট্রোফি ২০২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা পি টি সি সি পাৎসোই অমদি আর সি এ লিল্লোং মায় পাকখ্রে।



ঙসি মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল/ ওরেন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–বিগী পি টি সি সি পাৎসোই অমদি ক্রাউ খম্নাম বজারনা শান্নখিবা মেটচতা পি টি সি সিনা ক্রাউবু রন ৬০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা পি টি সি সি পাৎসোইনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১৩০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ক্রাউ খম্নাম বজারনা ওভর ১৯.৩ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৭০ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ৬০ দা মায়থিবা নঙখি।

পি টি সি সি পাৎসোইগী বেট্টিংদা টানিস শর্ম্মানা বোল ২৮ দা রন ৩০, গুণ্ড গুণ্ডনা নোট আউটনা বোল ৩০ দা রন ৩০ অদুগা কর্ণজিৎনা রন ১৫ লৌখি। ক্রাউ খম্নাম বজারগী বোল্লিংদা কে সনাতোম্বনা ওভর ৬ তা ৱিকেট ২ অদুগা প্রকাস, ঐচ জোহেনবা, টি নিখিল অমদি আই নিখিলনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ক্রাউ খম্নাম বজারগী বেট্টিংদা কে সনাতোম্বনা রন ৯, প্রকাসনা রন ৯, ঐচ জোহেনবনা রন ৮ লৌখি। পি টি সি সি পাৎসোইগী বোল্লিংদা গুণ্ড গুণ্ডনা ওভর ৪.৩ দা ৱিকেট ৬, ব্রাইনসেনানা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অদুগা কর্ণজিৎ অমদি অনাওনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা পি টি সি সি পাৎসোইগী ৱিকেট ৬ অমদি রন ৩০ লৌখিবা গুণ্ড গুণ্ডনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি ই রিশিকুমার অমদি এস কেজিৎনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দগী মরীশুবা মেটচ ওইনা গ্রুপ–বিগী ব্লু হোক খুরাই অমদি আর সি এ লিল্লোংনা শান্নখিবা মেটচতা আর সি এনা ব্লুক হোকপু রন ২৭২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা ব্লু হোক খুরাইনা তোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না খনবদা আর সি এ লিল্লোংনা অপীশুবা ওভর ৩০ দা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ৩১০ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ব্লু হোক খুরাইনা ওভর ১০.৪ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৩৮ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ২৭২ দা মায়থিবা নঙখি।

আর সি এ লিল্লোংগী বেট্টিংদা এম দি ইমরান খাননা বোল ৭১ দা রন ১১৬, অদুগা ইরফ্রাননা বোল ৭৮ তা রন ৮৫ লৌখি। ব্লু হোক খুরাইগী বোল্লিংদা মাজিস খান, পূন্সিবা অমদি বিনোয়কুমারনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

ব্লু হোক খুরাইগী বেট্টিংদা মাজিস খাননা রন ৯, নিখিলনা রন ৩, সরিফনা রন ২, ফিরোইনাল রোইনা রন ২ অদুগা বিদিয়াশাগরনা রন ২ লৌখি। আর সি এ লিল্লোংগী বোল্লিংদা প্রবেসনা ওভর ৫ দা ৱিকেট ৫, জহিটনা ৱিকেট ২ অদুগা ইলিয়াস অমদি জমিরখাননা ৱিকেট অমমম লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা আর সি এ লিল্লোংগী বোল ৭১ দা রন ১১৬ লৌখিবা এম দি ইমরান খাননা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি ফুলেন্দ্রো অমদি জুগেননা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েং মোদেল হয়ার সেকেন্দরী স্কুল/ ওরেন্টেল কোলেজ গ্রাউন্দা ৱাই য়ু সি সি অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা শান্নগনি অদুগা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দনা পি সি সি ময়াই কোইবী অমদি পি টি আর সিগা শান্নগনি।

## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোয়খ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ হয়েল য়ঙ পোপুল্লর ক্লব ( ঐচ ৱাই পি সি) হয়েলনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ২৪ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খায়দোক্তুনা ইবুধৌ ইকোপ নিংথৌ মরু নোংশাবা শান্নবুংদা চথরিবা অহুমশুবা ষ্টেট লেভেল সবেন এ–সাইদ মেন’স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট উচিৱা গ্রাম পঞ্চায়ট প্রধান ট্রোফিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ং বোইজ পুখাও অমদি আর এফ সিনা থা অসিগী ১৯গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা অদুগা অনীশুবা সেমি ফাইনেল দনা দ্রেস হাওস এফ সি (এ) অমদি ৱাই এম সিনা থা অসিগী ২০গী নুংথিল পুং ১.৩০ দা শান্নরগনি।

ঙসি অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা শান্নখিবদা আর এফ সি খম্নাম লৈরকনা য়ুনাইটেদ ক্লব খাইদেমবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা আর এফ সিগী গোলশিং অদু কিসননা ২ অদুগা দিপক অমদি রাকেসনা অমমম চনখি।

মরীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতনা ৱাই এম সিনা সাউদন এফ সিবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

## হৈস্নাম বসন্তকুমার নীংশিং ট্রোফি আই দি টি এ ইনভাইটেসন টেন্নিস টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসন ( আই দি টি এ)না শীন্দুনা ঙসিদগী লম্ফেল পাৎতা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট এসোসিয়েসন অসিগী টেন্নিস কম্পলেক্সতা পূন্না শান্নরোই ১৪০ না কাঙলূপ ১০দা শরুক য়াদুনা হৈস্নাম বসন্তকুমার সিংহ নীংশিং ট্রোফি আই দি টি এ ইনভাইটেসন টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০ শান্নবা হৌখ্রে।



ঙসি পাঙথোকখিবা মেন’স সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা অটাপনা পরাসপু ৬–৩, ৬–১দা, ঐচ বুসননা জষ্টিন পানমৈবু ৬–২, ৬–০ দা, এল লুচিঙনা এস অশারাজিৎবু ৬–৪, ৬–৪ দা, অদুগা কে বিলাসিননা ঐচ সঙ্করবু ৬–০, ৬–০ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

চহী ৩৫ মথক মেন’স সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা বিনোইনা এম রুপমবু ৩–৬, ৬–১, ১০–৬ দা , রবিনা এল জিতেনবু ১–৬, ৬–৩, ১০–৮ দা,অসোকনা দোমসনবু ৬–১, ৬–২ দা, হেরোজিৎনা রোবিন্দ্রোবু ৬–০, ৬–১ দা, এম প্রেমজিৎনা রঞ্জনবু ৬–১, ৬–৩ দা, সিঐচ প্রিমতমনা এম লুইখামবু ৬–১, ৬–২ দা অদুগা সূরজনা যোগেন্দ্রজিৎবু ৬–২, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

চহী ৩৫ মথক মেন’স সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা টিঐচ ইবোতোননা এস রজিব শর্ম্মাবু ৬–০, ৬–৭( ৪–৭),১০–৭ দা, নিংতম্বা রাজকুমারনা কেনিবু ৬–৩, ৬–০ দা, টিঐচ রাকেসনা অলদ্রিনবু ৬–১, ৬–২ দা অদুগা এ রোমিওনা এম প্রদিবপু ৩–৬, ৭–৬ (৭–১), ১১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দ চঙখ্রে।

চহী ৫৫ মথক মেন’স সিঙ্গলসকী কাঙলূপ্তা সরত ৱাক ওভর ফঙদুনা ক্বার্টা ফাইনেল চঙখ্রে।

## নোমিতানা ৱেদলিফটিংদা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফিয়স এন্দ স্পোর্টস, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১০ দগী ২২ ফাওবা অসামগী গুৱাহাটিদা চথগদৌরিবা অহুমশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমস ২০২০গী ঙসি নিপালনিচনবা নুমিৎতা মণিপুরনা ৱেদলিফটিং মশান্নদা ব্রোঞ্জ মেদল ১ হাপচিনখিবগা লোয়নন্না হৌজিক ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ৯, সিলভর ১০ অমদি ব্রোঞ্জ ১০ পূন্না মেদল ২৯ লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি ৱেদলিফটিং মশান্নগী নুপীমচা চহী ২১ মখাগী কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা এন নোমিতা দেবীনা স্নেজদা কেজি ৬১ অমদি ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ৮০ পূন্না কেজি ১৪১ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ লৌখি।

## চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্টস মীট ২০২০ ঙসিদগী হৌরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়রস এন্দ স্পোর্টস গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কম্পলেক্সতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা অহানবা চীফ মিনিষ্টর ইন্দিজিনস মার্সিয়েল আর্টস (থাঙ–তা / চৈবী) মীট ২০২০ হৌরগনি।

মীট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহ, দিপুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার সিংহ, ৱার্ক, পৱার, আর দি এন্দ পি আরগী মিনিষ্টর টিঐচ বিশ্বারজিৎ, রিভিন্যু, কাব এন্দ পি দিগী মিনিষ্টর করাম শ্যাম, য়াস এন্দ ৱাটর রিসোর্সেসগী মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ অমদি ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাউবনা মথং শীৎনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইনা শরুক য়াগনি।

## সাইক্লোন অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ) না শীন্দুনা মমাঙ থা ২৬ তগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা মরিশুবা টি সুবোল নীংশিং টি–২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী ফাইনেলদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা থা অসিগী ১৯ দা শান্নরগনি।



চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি এল সি সি সি লিল্লোং চজিং অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা এল সি সি সিবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

মেটচ অসিদা এল সি সি সি লিল্লোং চজিংনা তোস ঙমদুনা বেটিং হান্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আউট ওইরগা রন ১৪২ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা অপীবা টার্গেট অদু ওভর ১৭.২ দা ৱিকেট ৩ আউট ওইরগা রন ১৪৪ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৭ তা মায় পাকখি।

এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী বেট্টিংদা মজিবুর রহমননা বোল ৪৯ দা রন ৫০, সঞ্জিৎনা বোল ৩৩ দা রন ৩৫, কৃষ্ণনা বোল ১০ দা রন ১৩ অদুগা রাকেসনা বোল ৬ তা রন ৯ লৌখি। ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা সমানন্দনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২, কুমারজিৎনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ২ অদুগা প্রিয়োকুমারনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বেট্টিংদা মনাওবীনা নোট অউটতা বোল ৫৭ দা রন ৬৯, শাচিনা বোল ২২ দা রন ২৯, গোজেন্দ্রেনা বোল ২১ দা রন ২০ অদুগা সমানন্দনা নোট অউটদা বোল ৩ দা রন ৮ লৌখি। এল সি সি সি লিল্লোং চজিংগী বোল্লিংদা জিতেননা ওভর ৩ দা ৱিকেট ১ অদুগা জিলানা ওভর ৩.২ দা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী নোট অউটতা বোল ৫৭ দা রন ৬৯ লৌখিবা এল মনাওবীনা তাখি। শান্নখিবা মেটচ অসি দিনেস অমদি জয়েন্তনা অম্পিয়র ওইনা কন্দক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চেম্প খাগেম্পল্লি অমদি সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা শান্নখিবদা সাইক্লোননা চেম্পপু ৱিকেট ৩ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রবনি।

## এস রোলিসনা সব–জুনিয়র বোইজকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেরোম এসোসিয়েসনন শীন্দুনা থা অসিগী ১৫ দগী নুপীমচা শান্নরোই ১৫ অমদি নুপামচা শান্নরোই ৫২ পূন্না শান্নরোই ৬৭ না শরুক য়াদুনা উরিপোক হুইদ্রোম লৈকাইদা চথরিবা ৫ শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্টিক্ট কেরোম টুর্নামেন্টগী সব–জুনিয়র বোইজ কাঙলূপকী ফাইনেলদা এস রোলিসনা এম রিনানবু ১১–৮, ১১–৯ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে অদুগা এল সিতলবিরনা এল প্রিন্সপু ২১–০, ২০–০ দা থোয়দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।



সব–জুনিয়র গালস কাঙলূপকী ফাইনেলদা শিহ্বাঙম্বীনা এম এরিনাবু ৬–১৪, ১৬–২, ১৫–৭ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি অদুগা এস চিংলেম্বীনা সেরি লাইশ্রমবু ১৪–৭, ১৮–৪ দা থোয়দুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র বোইজ কাঙলূপকী ফাইনেলদা রোনাল্ড সাইখোমনা হিরো ইরেংবমবু ২১–১২, ১৯–৭ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদুগা এম রিনাননা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

জুনিয়র গালস কাঙলূপকী ফাইনেলদা এম এরিনানা শিহ্বাঙম্বী নিংথেমচাবু ১৬–১, ২১–৪ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। অদগা টি মমতানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## কে ৱাই এল এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা সেকমাইজিন থোঙাম দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন ( এস ই টি দি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী এস ই টি দি এ গী প্লে গ্রাউন্দা চথরিবা অনীশুবা এলাংবম পীশক সিংহ নীংশিং ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা কে ৱাই এল এস সিনা য়ু এস দব্লিউ সিবু সেট ৩–০দা অদুগা ৱাই এম দি ওনা পি এ এল ৱাই দি এবু সেট ৩–০ দা থোয়দুনা সেমি চঙখ্রে।




## জিরি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌরগনি

জিরিবাম, জনুৱারি ১৭ ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনন শীন্দুনা চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ৩ দগী ১৩ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট জিরিবাম হয়র সেকেন্দরী প্লে গ্রাউন্দা শান্নবা হৌরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা দি এস এ অমদি দি এফ এদা এফিলেট তৌরবা টিমশিং অমসুং ইলিজিবল সার্বিসেস অমদি অর্মিগী টিমশিংসু শরুক য়াবা য়াগনি হায়রি। ৱিন্নরদা শেল ওইনা লিশিং ৫০, রন্নরস অপতা শেল ওইনা লিশিং ৩০গী মনা লৈবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ানিংবা টিমশিংনা থা অসিগী ২৭ ফাওবগী মনুংদা ইন্ত্রি ফি লিশিং ২ গা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসনদা পীশিনলকদবনি। অকূপ্পা মরোল ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনদগী খঙল্লবা য়াগনি।

## টি ৱাই দব্লিউ ও তখেল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ১৭ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসনন শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী টিম ৮ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা ৱাই দব্লিউ সি থম্বালখোং গ্রাউন্দা চথরিবা নহাকপম অপাবী নীংশিং থার্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৯–২০ গী মঙাশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবদা টি ৱাই দব্লিউ ও তখেলনা কে এফ সি মপাওবু গোল ৫–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা টি ৱাই দব্লিউ ও তখেলগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এন সন্তোশনা মিনিট ২, ৩৬ দা গোল ২, জর্সি নম্বর ১১ এন জিতেন্দ্রনা মিনিট ৩৭, ৪৮ দা গোল ২ অদুগা জর্সি নম্বর ১৬ কে নোরেননা মিনিট ৭০ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা কে এফ সিগী গোল অদুনা কাজিপমি অমদি থেমশাংনা চনখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*